# ‘মণিপুরসিবু মীতৈশিংগী খক্তরা?’

- এল ইবোমচা -

শন্দ্রেন্বী ইমাদি খ্বাং য়ৌরে, শন্দ্রেন্বী ইমাদি ইঙকশম য়ৌরে, শন্দ্রেন্বী ইমাদি লোইরেদকো। ৱাহে অসি নীংশিংলুবদা ঙসিগী মণিপুরগী লান মতাসিদা ইমা লৈবাক মণিপুরগী মচা ওইরিবা খুদিংগী থম্মোয়নুংদা পাল্লরে। ঈরাং নত্তে, থৌদোক-ৱাথোক নত্তে, অশেংবা লাঞ্জাউ অমনি। অসুম্না লান লাক্কনিহায়বদি মীতৈশিংদি হান্না খঙহৌদবনা লানগীদমক শেম-শাহৌদে। নোংমৈ মরূ লোদ তৌবা, কাপ্পা তমহৌদে লানগী পোরম খঙহৌদে। লমজিংবীনবা কনা লৈতবনা লানগী পোরম অরানবা লাল্লোংদা লাম্থেংনদুনা লৈরি। লান তৌবগী কান্নবনা করিনো? কনানা লান হৌরকই? করিগী মীগী য়ুম মৈ থারিবা? করিগী মী হাৎলিবা? থিগৎলুবগী কানদ্রে। ঙসিদি নার্কো কুকি মিলিটেন্টশিংনা মীতৈশিংদা লান তারক্লবনিনা নমদুনা লান য়াওবা তাই। মায়থীবা নংদনবা অরৈবা থৌনা ফূদোক্তুনা মায়োক্লবা তাই।

মতাং অসিদা লুচিং পুরেল অমা মথৌ তারকই। হিজম ইরাবত নীংশিংলকই, মাগুম্বা মী অমা মথৌ তারকই। মীয়াম পুন্নমকপু লমজিংনবা। অদুবু অদুঙৈ মতমগী ইরাবত অদুগুম্বা মীওই অমমুক হন্না থোক্লক্কদবা মান্দ্রে। মরমদি লুচিংবা শাবা ময়ামসিগী মরক্তা লৈরম্লসু থোক্লক্কদবা কিগনি। করিগীবুসু কিরোই, মরমদি লমদমসি লমদম অমনি। অপায়-অপায়বনা চাউনবা, ঙাঙবা কনবনা অচুম্বা শক্লবা লমদমনি। চা গ্লাস অমত্তং থকপদা অয়ূক চূপ্পা অমা, নুংথিল চূপ্পা অমা হোটেলদা ফম্লগা লৈথোকপা মীওই কোকথোং অমা লৈবা লম অমনি। লৈকায়, খুঙ্গং, কৈথেলশিংদা লুচিংবা শাবা-শাবী কোকথোং অমা লৈবা লমদমনি। মসিগীসু মথক্তা লূপ/ওর্গনাইজেসন মশীং খ্বাইদগী হেন্না লৈবা লমদমনি। মণিপুরগী কৈথেল খুদিংদা নুপী লুচিংবী মরাং কায়না লৈ। ইম্ফালগী খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলদনা অমুক্কা হেন্না মরাং কায়না লৈবা উই। শম্না হায়রবদা কৈথেল ফম্বী খুদিংমক লুচিংবী (লিদর) ঙাক্তনি খনবা য়াই। কৈথেল নুচিংবীশিংনা ময়াম পূন্নমক্তগী খ্বাইদগী মতিক-ময়াই হেল্লি। মখোয়না লৈবাক মীয়ামদা খঙহনখিবা ৱাফমম লৈবাক লৈখা তাহৈদে হায়বদু মঙাই।

লৈঙাক্লা থোকপা ওর্দরদগী নুপীশিংনা মচিন্দগী থোকপা ওর্দরনা মীয়াম্না ইকায়খুম্নবা হেল্লি। শম্না হায়রবদা কৈথেল লুচিংবী অমনা চিনহায় ওইনা কৈথেল বন্দ তৌরে হায়না লাউথোকখিবদা কনা অমত্তনা ফের লাউরুবা ঙম্নদে। লৈঙাক্লা পুলিস থাদোক্তুনা কৈথেল কাবীয়ু, দুকানশিং থোঙ হাংবীয়ু হায়না মাইক পান্দুনা লাউরবসু কনা অমত্তনা ইনবীদে। লুচিংবী, সোসল ৱার্কর, পোলিটিকেল এনালাইসিস, সোসল সাইন্টিষ্ট, হ্যুমেন রাইটস এক্টিভিস, ডাক্তর, ইঞ্জিনিয়র, উকিলশিং মরাং কায়না লৈরিবা মণিপুরগী মীতৈ ফুরুপ্তা ঙসি ম্যান্মারগী নার্কো কুকি টেররিষ্টশিংনা অফবা মখলগী বোম, তোপ, নোংমৈ শীজিন্নদুনা অকনবা মওংদা লান্দারক্লি। লুচিংবা অমগী মখাদা লাল্লোং খঙনা লান্দারকপনা মীতৈশিং খা-রাই খঙদখে লাঞ্জেন্নরি। মীতৈশিংনা খা-রাই খঙদনা চেনবগী মতৌশিংদু উজরগা মপূক্লিং পেঞ্জরবা কুকি টেররিষ্টশিংদি থৌনা হেন্না হাপ্লগুম্না থোকখিদুনা মখল-মখা কয়াগী লাল্লোংদা হেন্না-হেন্নদুম লান্দাশিনবা হেনগৎলক্লি।

হৌজিক মণিপুর য়াম্না কন্না মৈ চাক্লি, হাৎন-শুনবদা মীওই ১৮০গী মথক্তা লৈখিদ্রে, য়ূম লিশীং ৫গী মথক্তা মৈনা তুম্না চাকখ্রে। অফবা মখলগী খূৎশু-খূৎলায় কয়ামুক পায়দুনা লান্দারকপদা খাঙবা ৱারবা মীতৈশিংনা ইন্দিয়া লৈঙাক্তা খোল্লাও কয়ামুক লাউরক্লিমদুদি নখোয়গা ‘সূ’ তৌনরিবা নার্কো কুকি টেররিষ্টশিং মশা-মশাগী কেম্পতগী মপান থোকহল্লক্কনু, মীচমশিংদা নোংমৈ কাপহল্লক্কনু। কুকি টেররিষ্টশিংনা মীচম মীতৈশিংদা ওনশিল্লগা নোংমৈ কাপ্লকপদা অসাম রাইফলসনা ফোংনা মতেং পাংহনগনু। কুকি টেররিষ্টশিংনা মীতৈশিংদগী লম মুল্লগা কুকিলেন্দ শেম্নবা লান্দারকপা মতমদা অসাম রাইফলসনা ময়ায়দা লেপ্লগা লান খান্বীগদবদা কুকিশিংদা লান তোংশিনবা তৌহনগনু অমসুং ‘সূ’ হন্দোকউ হায়দুনা অকনবা খোল্লাও কয়া লাউরি। অদুবু ইন্দিয়া লৈঙাক্নদি তাবিবা লৈতে। মসিনা মরম ওইরগা মীতৈ কয়ামরুম মীশি চাদনা শিবা, শোকপা-পনবা, য়ূম মৈ চাকপা নোংম-নোংমগী হেনগৎলক্লি।

লৈরিবা লৈঙাকসিগী চীফ মিনিষ্টর ওইরিবা শ্রী এন বিরেনদা ৱাকৎলবসু মমিংতা ওইনা লৈবা চীফ মিনিষ্টর ওইবনিনা করিমত্তা তৌবা ঙমজদে। হায়বদি সিক্যুরিটি এদভাইজর, দি জি পি, চীফ সেক্রেটেরিনচিংবা সেন্টরনা হাপ্লকপনি। সেন্টরনা হাপ্লগা থারকপা ওইবনা মখোয়শিং অসিনা চীফ মিনিষ্টরগী ওর্দর চৎতে, সেন্টরগী ওর্দর ঙাইনরগা মথৌ পাঙথোকই। মরম অসিনা পাল্লিবা বি জে পিগী লৈঙাক অসিগী এম এল এ, মিনিষ্টরশিংনা মতিং ফূদোকচবা ঙমজদবগী মতৌ অসিনা মরম ওইরগা লৈবাক মীয়াম খম থেংনা পেন্নদ্রে। অশেংবা লুচিংবশিং কদাইদা লোৎখ্রে থিনরক্লে। মীয়াম্বু মখূৎ পায়দুনা লুচিংবা ঙমগদবা পোলিটিকেল দিসিজন লৌবা ঙমগদবা, মরৈবাক মরমদম্বু মথম্মোয় শেংনা নুংশিবীবা অমসুং মীয়াম্বু ঈশ্বরমক্লি খনবা ঙমগদবা মতিক চাবা লুচিংবা পাম্নরক্লে। মীয়ামগী লুচিংবা ওইবদা মতিক চাবা, লাইরিক-লাইশু মতিক চানা হৈবা মীওই কয়া অমা লৈবাকসিদা লৈ-খঙই অদুবু লুচিংবা ওইনীংবা কনামত্তা থোক্লক্তে। মসিগী মরমদি লুচিংবা শাবা ময়ামসিগী মরক্তা থোক্লকপা কি-হঙ্গোইবা পোকপদগী ওইরমগনি।

তৌবগীদি হন্দক্কী নার্কো কুকি টেররিষ্টশিংনা মীতৈশিংদা লান্দারকপা ঙল্লিবসি সেন্টরদা পানখিবা মতম-মতমগী লৈঙাক্লা ‘সূ’ চথনরিবা কুকি টেররিষ্টশিং অসিদগী ইলেক্সনগী মতমদা ভোট কাহৌনবা য়াম্না চাউনা মতেং লৌরুবদগী ওইগনি। হায়বদি লৈবাকসিগী সিক্যুরিটিদা অকায়বা থোক্লকফম ওইবা ম্যান্মারগী কুকি মচা য়াওবা মণিপুরগী কুকিশিংগা ‘সূ’ চৎনবনা মণিপুরদা লানশিল্লক্তুনা লৈশিল্লবদা করিমত্তা হায়দনা য়েংদুনা লৈথোক্লুবা মদুদগী থোক্লকপনি। সেন্টরগী পোলিটিকেল লিদরশিং পাৱর পোলিটিক্সনা লৈবাক্কী সিক্যুরিটিদগী য়াম্না হেন্না মরু ওইনা লৌই হায়বদু থবক্কা উৎপনি।

অদুমকপু মণিপুর বি জে পিগী লৈঙাক অসিবু লুচিংলিবা শ্রী এন বিরেননা লৌখৎলক্লিবা ৱার ওন দ্রগসকী খোঙথাংসি মণিপুরগী অমসুং মালেমগী ইনখৎলক্লিবা নহাশিং দ্রগতগী কন্নীংবগী ইহুল চাউনা পীরি। অদুবু সেন্টরগী বি জে পি লৈঙাক্নদি মচিন্দা শ্রী এন বিরেনগী ৱার ওন দ্রগসকী খোঙথাং অসি শৌগৎলি হায়না হায়জরবসু থম্মোয় শেংনা শৌগত্তবা মাল্লি। ঙসিগী দবল ইঞ্জিন অনী অসিগী ৱাখল খেন্নরিবা মতৌ অসি নার্কো কুকি টেররিষ্টশিংনা য়াম্না মুন্না নীংথিনা খঙবনা মণিপুরগী বি জে পি লৈঙাক অসিবু করিসু লৈতনা খনবা ঙল্লিবনি। লৈঙাকসি করিসু লৈতনা খনবা ঙল্লবনিনা লৈঙাক অসিবু লুচিংলিবা শ্রী এন বিরেনবু করিসু লৈতনা খনবা মশানা তাবনি।

মতাং অসিদা মীতৈশিংনা খল্লিবনা মণিপুর চহী লিশীং ৩ হেনবগী মহৌশাগী পুৱারী লৈজবা মদুগীসু মথক্তুদা লাই ওইখ্রবা ইপা-ইপুশিংনা মশাগী ঈখেংতনা শেল্লম্বা লৈবাক্লি হায়বনি। মরম অসিনা ফীভম অমত্তদা মণিপুর মচেৎ তানা থুগাইবা শুকয়া য়ারোই হায়বসিদা মীতৈ পূন্নমক চপ য়ুংনা শিবা কিদনা লেপ্লী। মসিগী মথক্তা মীতৈ কয়া শিগেরা, চংগেরা, শোক্কেরা, পনগেরা, নাগেরা, নারোইরা, য়ূম-কৈ কয়া মৈ থাদোকখিদুনা খুন তুমগেরা, তুম্মোইরা অদু-অদা ঐখোয় খঙদে, মণিপুর মচেৎ তানা থুগাইবা য়ারোই হায়বসিনি। মীগা লাইগা শম্নরিঙৈদগী পূন্না খুন্দা লৈতাদুনা লৈমিন্নরক্লবা ঐখোয় ফূরুপ কাঙলূপ ৩৫নি। অমত্তা ওইনা পূন্না লৈমিন্নগনি, ঐখোয় ইমা অমত্তগী মচানি হায়দুনা চীংজাউগুম্না ফৈগাক ফৈনা লেপ্লগা লৈ। অদুবু অতৈ ফূরুপ-কাঙলূপশিং করি খল্লিবনো হায়বদু খঙদে, মখূৎ তুংবুন্নরগা য়েংলগা লৈ। মীচং চঙবীয়ু হায়বা নত্তে, লান অসি করি মরমদগী থোক্লকখিবনো হায়বদুখক্তং খঙবীয়ু হায়বনি। মসিদা মীতৈ অমত্তনা লৈমিন্নরিবা ফূরুপ-কাঙলূপ অমত্তদা নৎত্রগা লন্নাই ওইনা মীওই কনা অমদসু হংলুদনা থম্মোয়নুংসিদা ৱারৌনা হংজরিবা ৱাহংদি ‘মণিপুরসিবু মীতৈশিংগী খক্তরা?”হায়বসিনি। ●

# চীনগা খূৎকা মান্নরক্ত্রবদি ... করি ওইগনি?

মতম মতমগী

গুরুময়ূম জ্ঞানেশ্বর শর্ম্মা

মমাঙঙৈ হায়বা তারে ঐখোয়না নহা ওইরিঙৈ ঙসিদগী চাউরাক্লা চহী ৩০/৪০ রোমগী মমাঙদা তাখিবা মতমদুগী মীয়াম্না য়াম্না পাম্না তানখিবা ঈশৈ অমা নীংশিংলকই। মুকেসনা শকপা হিন্দি ফিল্মগী ঈশৈনি, ফিল্মদুগী মমিংদি নীংশিংদ্রে ‘তন মন ধন সব হে তেরা, দিন তেরে ক্যা হে মেরা?’ হায়না শৈহৌবা ঈশৈনি। কনানা ইবনো, শৈরাংবনা কনানো নীংশিংবা থোক্ত্রে। নীংশিংবা ঙম্বা কোক্তা লৈবা ময়েক খরগী চাওরাকপা ৱাহন্থোক্তি ‘লন থুম পূন্নমক নহাক্কীনি, থৱায়সিসু নঙগীনি, করি লৈরি ঐগীনি হায়বা?’ কয়াদা ফজখ্রবা ময়েক্লো? ঈশৈ অসি তারুরগা ময়েক অদুবু ইরিবা মীওই অদু মশক খঙনীংলকই, মশক খঙবা খক্তা নত্তে, মহাক্কী লমচৎ-শাজৎ, হৈনবী অমদি ৱাখল্লোন কূপ্না খঙনীংলকই। মহাক্লা ইরিবা ময়েক অসিগা মহাক্কী পূন্সি মরেলগা মান্নরমগদ্রা হায়বদুসু য়েংনীংলকই। মহাক্কী ময়েক্তা তারিবা ৱাখল্লোন অসি থবক ওইনা পাঙথোক্লমগদ্রা হায়বদুবু খঙনীংবা পোক্লকই। ঈশৈ ময়েক অসি ইবগী অইমনকা অমত্তা লৌরম্লোইদ্রা হায়বদুফাওবা খঙনীংলকই। মিৎনা, খোঙনা উবা ফংদবা অথাপ্পা মুম্বাইগী ৱাফম অসিনা তোঙান্না থমখ্রগা ঐখোয়গী ইরমদম অসিদসু অইবা কয়া লৈরি, ৱারেং, শৈরেং অমদি ঈশৈ ময়েক কয়া ইদুনা পুথোক্লি। শৈরেংবা কয়ানা ফজ-ফজরবা মতম ঈশৈ, লাইশোন ঈশৈ কয়া ইদুনা শৈশকপা কয়ানা শক্তুনা তাহল্লি। লাইনীং-লাইশোন, দেব-কর্ম্মগা মরী লৈনবা থৌরম কয়াদসু ঈশৈ কয়া শক্ল-শোন্নরি। লাইশোন ঈশৈশিং অমদি দেব-কর্ম্মদা শক্ল-শোন্নরিবা ঈশৈগী ময়েকশিং অয়াম্বনা ফজৈ, তাবদা নুংঙাই, পূক্নিংদা শান্তি লৈ। তাইবঙবু শেম্বীবা মপু মঙোন্দা কখোকচবা, মহাকপু শৈথাবা ঈশৈ ঙাক্তনি।

শৈরেংবা অমদি শৈশকপশিং মমিং মথা পন্দুনা কূপ্না নৈনরুদ্রগসু মখোয়না ইরিবা, শক্লিবা ময়েকশিং অসি য়েংলুরগদি মখোয়সি অচুম-অরান ফজনা খঙলবা, অরানবা অমত্তা তৌদ্রবা তাইবঙগী ময়া থাদোক্লবা, ঈশ্বরগী মফমদা কখোক্লবা ভক্ত ঙাক্তনি হায়না লৌবা য়াই। দেব-কর্ম্মদা মখোয়না য়াম্না তোয়না শক-শোল্লিবা ময়েকশিং খরদং পল্লবদা ‘ময়াগী কৈথেলনি, ময়া ঙাক্তা য়োনবনি, শেন্দোং তানগে লাকপনি, শেল্লেপ মাঙদুনা হন্দৌরে, খুদুম শীংদুনা লাকপনি, খূবাম তিংনা হনগনি, তাইবঙ ঈপাক লাল্লমদাই কনা হন্না উরক্ত্রবা মতমদা মপু মহাক নত্তনা কনা লৈরোই তাইবঙদা, নিংজহৌ অপঙবা তাইবঙ, শোঞ্জহৌ মপু মাগী মিঙ্খো, লাকপদসু করিসু পুরক্তে, হনবদসু করিসু পুরোই’ হায়বনচিংবা। ফজৈ তাবদা নুংঙাই, কক্লিংঙাই লৈতে।

মতম খরগী মমাঙদা, খরবুদি কুইরে লুপা মঙা চৎপীগা চৎনরিঙৈ মতমনি, নোংমা অষ্ঠি সঞ্চয় অমা য়াওরুই ইমান্নবা অমগী লোয়নবী লৈতবগীনি, চৎনবী ওইনা ঐসু শেল থাবা চঙলুই, লুপা ১০ চৎপীনা নম্না থানরিঙৈ মতমনি, পুঙ য়ৈবা, ঈশৈ হনবা থারল্লগা দুহারদা থাবদা দুহারদুনা ঈশৈ শকপা লেপ্লগা করিগুম্বা খরা হায়রকপগুম তৌই, পুঙ-ঝালগী মখোলনা শেংনা তাহৌদ্রে, দুহারদুসু খঙনবা মীনি চুম্না খঙন-চান্নবগী কৌরক্লিবোই খন্দুনা লৈথোরকপদা অমুক্কা হন্না হায়রকই, পুঙ য়ৈবদুনা ‘ওজা য়ারেদা’ হায়খিবদু তারকই। মতম অদুদদি শেংনা তারে মঙোন্দা থারিবা শেলদু লুপা মঙানি হায়বা ওইরম্লে। ঐনা থারিবা লুপা তরা চৎপী মরক্তুদা মঙা চৎপী অমা য়াওরমদুনা মঙোন্দা থুংলুবা ওইরম্লে। মঙা চৎপদু শিন্দোক্লগা নোক্নরগা থোরক্লে। মী লৈতবগী কপ্নরিবা মরক্তুদা মন্দির ময়োন্দা নোক্লুবা অদুগী ইকায়বা পোক্লকই লোয়ননা থোরক্লগা ফম্ফমদা ফম্লগা ইতোমতা খল্লকই ‘শেল-থুম, সনা-লুপা পূন্নমক অরেম্বনি, তাইবঙবু শেম্বীবা ইবুঙো মহাক্তনা লেংদবা লননি’ হায়না মমিৎতা মপি তাবমখৈ শক্লিবা শৈশকপদুনা লুপা মঙাখক ওন্নবদা ঈশৈ শকপা লেপ্তুনা শিল্লো হায়রকপা! অঙকপা পোকই। নাম শোনবা, নাম শোনবদি হায়নৈ অদুবু নাম শোল্লিবরা নৎত্রগা নাম য়োল্লিবরা অশেংবা খঙনীংলকই। শক শোল্লিবা অদুগা তৌথোরক্লিবা অদুগা চান্নবরা? চীনগা ৱাখলগা মান্নবরা? হায়বগা তৌথোরকপগা মান্নদবগী মখোয়সি অচুম্বা ঙাঙদ্রে হায়না লৌবদি য়াদবরা? মখোয়না শক শোল্লিবা অদু লাল্লি হায়বদি নত্তে অদুবু মশানা অচুম্বশিং অদু ঙাক্তবগী অরানবা ঙাঙবগী মরালদি লৈরোইদ্রা?

ৱারেং শৈরেং ইরিবশিংগা লোয়ননা শৈরেংবা অমদি শৈশকপশিং মশা-মশানা ইরিবশিং নৎত্রগা শক-শোল্লিবশিং অদুগা মশানা তৌথোরকপদুগা মান্নদ্রবসু খুন্নাইদা অচৌবা ফিন্দা অমদি ফংলি, মীয়াম্না মখোয়বু ইকায়খুম্নবা উৎলি। অচুম্বা তৌবা ঙমদ্রবসু অচুম্বা ঙাঙবদি ঙম্বা মীওই কয়া লৈরবসু অচুম্বা ফাওবা ঙাঙবা ঙমদবা মীগী মশীংসু ৱাত্তনা লৈরি। হায়ঙম তৌঙম্বা, অচুম্বা ঙাঙলুবা কয়ানা আইনগী চৈরোকমক নৎত্রবসু নাকোইননা চৈথেং কয়া ফংদবসু নত্তে। খুরা তোমালসু (অশেংবা মমিংদি নত্তে) অচুম্বা ঙাঙগল্লি, অচুম্বা ঙাঙবদুনা মরম ওইরগা মাবু মীনা কয়া নুংশিদে, মীরোল থুংদেবু হায়নৈ। মচা-মশুশিংনা থিংদুনা লৈকায়গী থবক-থৌরমশিংদা য়াওবা কয়া উখিদ্রে। মতম খরগী মমাঙদা নোংমা লৈকায়গী মী লৈতবা অমা হংবা চৎলুবদা থেংনৈ। লৈত্রিবদু নহানি, দ্রগ ওভর দোজ ওইদুনা শিবনি, মপাদুনদি শিবগী মরম মচাদুনা হিংলিঙৈগী ৱারী কয়া শেমদোক-শাদোক্লগা তম্মী। ফল্লিবা ময়াম অদুদি তূমিন্না অদুম তাই। তূমিন্না তাবা হৈনদবা খুরা তোমালদি মপানা ঙাঙলিবা অদুগী মরক থৎলদুনা হায়রকই, ‘ফরে-ফরে ইবুংঙো মরাইবক্লা তম্বা হায়বদুনি নঙ ঐনা তম্বা ঙম্বা নত্তে, করিসু খল্লুরনু। অমরোমদদি ঙন্না চৎখ্রিবসে ফরবনে, কুইরবদি নঙগী নরল-নথুমশিং অসি ফনা য়াম্না তুমগদৌরিবনি’ হায়রকই।

অচুম্বা ঙাঙলুবগী নাকোয়ননা ফংবা চৈথেং ওইনা কর্ম্ম অদুমসু চেবাউ য়ৌরকখিদ্রে হায়। অদুনা ঙসিগী ঐখোয়গী খুন্নাই অসিদা অরানবা ঙাঙববুনা মনা পীবা, অচুম্বা ঙাঙলুরগনা চৈরাক ফংবগী চৎনবী অমা লৈরি। শৈরেংবা অমসুং শৈশকপা খক্তগী ৱা ঙাকসু নত্তে, লমদম অসিবু চাওখৎ মায়কৈদা পুনবা লমজিং লমতাক্লিবা লৈঙাকপশিং অসিদি অচুম্বা ঙাঙলমগদ্রা? নোংমতা কাংদনা পাঙথোক্লিবা থৌরমশিংদা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট নৎত্রগা গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা লুচিংবশিংনা ঙাঙথরিবা ভাষনশিং লোইনমক অচুম্বা ঙাক্তা ওইরমগদ্রা? চহী খুদিংগী লেপ্তুনা পাঙথোক্লিবা বডজেট সেসনদা কাইথোক্লিবা শেনফমশিং অসি টার্গেট ওইরিবা মফমশিং অদুদা লোইনমক য়ৌরমগদ্রা? পাল্লিবা পান্দম অদু ফংলিবরা? য়ৌফম থোকপা মফমদা য়ৌহন্দবগী, ফংফম থোকপা পান্দম ফংদবগী থৌদাং লৈবা মীওইশিং অদুদা করম্বা চৈরাক পীখ্রবগে? লৈঙাকপশিং য়াওনা মীওই অমত্তা চৈরাক ফংখিবা লৈতবনা লমদম অসিদা অরানবা অমত্তা তৌদ্রি হায়না লৌবা য়ারবরা?

ফিরোল অনানবা শেৎপা মীগী মশীং য়ামখৎলকপা, লম্বীদা অনানবা গাড়ী মশীং য়াম্না চেনবা, লন্নাইগী মথোল লোংবা ফুরা দলান য়াম্না লৈবনা লমদম অসি চাওখৎলে হায়না লৌরসিরা? তন মন ধন সব হে তেরা হায়রগা ফুরিৎখাও চোন্নবা হোৎনরিবা, লন-থুম, সনা-লুপা পূন্নমক অরেম্বনি, মহাক্তনা অরেপ্পনি হায়না শৈথারিবা শৈশকপশিংনা শেল থাবা লৎলকপগা ঈশৈ লোইশিন্নবা হোৎনরিবা অসিনা লমদম অসিদা অচুম্বা কয়াম পুরক্কনি? চীনগা খূৎকা মান্নদ্রবা, পন্থুংফমগা শম্নদ্রবা লম্বীদুদা লমজেল তান্নরিবা চাওখৎ লমজেলদুনা লমদম অসিবু করম্বা মায়কৈদা পুগদৌরি?

শৈরেংবশিংনা চীনগা খূৎকা মান্নদ্রবা, ঈশ্বরগা খ্বাইদগী নক্লবা মীওইশিংনি হায়না লৌনরিবা শৈশকপশিংনা অচুম্বা তৌদ্রবা, মীয়ামগী থৌগল তৌজগে হায়না খূৎ লোন্নদুনা ভোটকী ভিক্ষ্যা নীদুনা কাখিবা লৈবাক্কী মপী-মপা ওইরিবা মীওইশিংনা অচুম-অরান থিদনা দিক্টেটরগী শক্তম লৌরক্লবা লমদম অদুদা লৈরিবা মীওইশিং করম্বা ফীভমদা হিংগনি খন্থুমিন্নবগী মতম ওইরে। লমথুংফমগা শম্নদ্রবা লম্বীসি শমজিন্নবনা পূন্নমক্কী য়াইফবা ওইগনি। চীনগা খূৎকা মান্নরক্ত্রবদি করি ওইগনি খন্থুমিন্নবগী মতম ওইরে। অৱাং লোমদা খূৎ থিল্লগা মখারোমদা চৎলবা, হায়বনা অমা, তৌথোরকপনা অতোপ্পা অমা তৌরবদি করি ওইগনি ? ●

# শানোংবা হিগায়ৱাগী অনৌবা লাংওন্নি

## (ৱর্ল্ড কুকি জৌ ইন্টেলেকচুএল কাউন্সিলনা মখোয়গী কাদরশিংদা নবেম্বরদগী অকনবা লান্দা চথরগনি থৌরাং তৌরে হায়রিবসি ‘শানোংবা হিগাৱাগী’ অনৌবা লাংওন্নি)

- সৌবাম বিরধজ -

কংলৈপাক লমদমদা হৌখিবা কুমজা (১৫৯৭-১৬৫২) চহী ৫৫ চূপ্পা খাগেম্বা মহারাজনা পানখি। খাগী (চিনা) বু লান্দা মায়থীবা পীবদগী (খাগী-ঙম্বা) ‘খাগেম্বা’ হায়না খঙনরকখি। হিয়াং তান্নবা হায়বসি লাই হাক্তক্তগী চৎনরক্লবা মণিপুর/কংলৈপাক্কী য়াম্না লীরবা ইনাৎকী চৎনবী ওইদুনা হিদান্নদুনা লাক্লবনি। ‘হৈগ্রু হিদোংবা’ (হৈগ্রুনা হৈজিং ফারক্লবা মতম) দা হৈগ্রু পরেং শীদুনা, হি লমজেল তান্নবা মমাঙঙৈদৈ চৎনদুনা লাক্লি, মতমদুদগী অদুমক (হৈগ্রু হিদোংবা) হায়না খঙনরক্লিবনি।

খাগেম্বা মহারাজনা খাগীশিং (লান্দা মায়থীরবা খাগী সিফাইশিং/লান্মীশিং খরা লানফা ওইনা পুরক্লম্মী) লানফা লান্মীশিং অদুনা মণিপুর কংলৈপাক্কী খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলদা শারম্বা (মহারানি থোং, কংলাগী শন্নথোঙ অমসুং লৈশাং তুরেল মরিলগী হিয়াং তান্নফম শরুকশিং) শেম্বা-শাবদা শিন্মী ওইনা শীজিন্নরম্মী। লানফা লান্মীশিং অদুদা মখোয়গী খাগী লমদমদুগী (চেক শাবা, চেক মৈ ইৎপনচিংবশিং) পূন্নমক তৌহল্লম্মী, মতমদুদগী মণিপুর/কংলৈপাক্তসু চেক শাবা হৈরকখিবনি হায়না থেংনজৈ। মমাঙঙৈ মতমদগী হিয়াঙ্গৈ থা, মহৈ-মরোং লোক্লমদাই, ফৌনানা নাপু মচু চঙলক্লবা মতম, লৌরক্কী ঙমু/ঙাক্রানচিংবা পূন্নমক ঈশং-কানা নীংথিজরবা (মেরা ঈখোম্বগী লেমলৈ ঙা) ঙাদা খুদি থিজিন্নরিবা মতমনি। হৈগ্রুনা হৈজিং ফারমদাই মহৈ-মরোং চুল্লক্লবা মতম য়ৌরকপদা (চাকহোঙ-ঙাহোঙনবা) নুংঙাইবা ফোঙদোকপা ওইনা (নিংথৌ মচিল-মনাও) অনীনা হি লমজেল হেক হেক তান্নবীসি মমাঙঙৈদৈ চৎনরক্লবনি। মহারাজ খাগেম্বা অমসুং মনাও ইবুংঙো চীংশোম্বা অনীনা চহীদুগী ওইনা লৈশাং তুরেলদা হি লমজেল তান্নবা তারে। মতমদুদা চীংশোম্বগী হি অসি খরা পীকপনা মনাও ইবুংঙো শানোংবগী মতিক ময়াই লৈরবা (তান্না হিয়াং হিরেন/কবো-ঙম্বা হি) হায়না খঙনবা মপাবুংনা পীরম্বা হি অদু ৱাইজগে হায়না মনাও ইবুংঙো শানোংবা (মহাক্তি হিদান্নবা য়াওবা ফংদবনা) দা হায়রুবদা খরা ৱারৌরপ তৌনা, অশোয়-অঙামদি য়াওহনবীরক্কনু হায়রদুনা মহাক্কী থৱায়মক্লি খঞ্জরিবা মহাক্কী (তান্না হিয়াং হিরেন/কবো-ঙম্বা হি) দু য়াম্না চেকশিন্না শিন্নরকখি।

নোংদম্বনা অসুম্না থোকউ তল্লম্বরা! হি লমজেল তান্নবদা মহারাজ খাগেম্বগী হিদুনা লোইশিল্লকপা তানফমদা শোয়বদগী হি অনী থেঙ্গাইনরে। মনাও ইবুংঙো শানোংবগী হিদু খরা শোক্লে। মথংগী নোংঙানবদা ময়াম্বা চীংশোম্বনা মনাও ইবুংঙো শানোংবগী শঙলেন্দা লাক্লগা ইনাওগী হিদু খরা শোক্লে, ইয়াম্বনা অহনবা অমা শিংজৌরা নৎত্রগা হিদু নীংথিজনা ফোৎলি হায়বা খঙহন্দনা (দাকফম ফাওবা তাহন্দনা) শেমজিল্লগা পীরক্লগে হায়রুবদা শানোংবনা “য়াম্থং নুংশিবা, ননাওগী তান্না হিয়াং হিরেন/কবো-ঙম্বা হিরেল অসিদি ননাওগী থৱায়মক্লি খন্না থমজবনি, মরম অদুনা অহনবসু পামজদে, ফোৎলগা পীবসু পামজদে, ঐগী হান্নগী হি অদুমক পীবিয়ু” হায়না শিখাং খাংলম্মী। ময়াম্থং চীংশোম্বনা থেম-নৌদুনা ফনা য়াম্না হায়রবসু য়ান্নরক্তবদগী সনা কোনুং য়ৌনরে। মহারাজ খাগেম্বনা মনাও শানোংবগী চক্রি মহৌশাদগী খঙলবনি, মহারাজনা থেম নৌরদুনা কংলৈপাক অসিদা লৈবা খূৎহৈবশিং তানদুনা সনা কোনয়াই শীজিন্নদুনা দাকফম অমত্তা তাহন্দনা ফোৎলু হায়বরা নৎত্রগা ইনাওনা পাম্বা খ্বাইদগী চাউবা অনৌবা হি অমা শাদুনা পীরগে হায়না কয়ারক হন্না থেম-নৌবদা য়ারক্তবদগী নহাক লৈবাক অসিদা লৈবা য়াররোই নিংথৌ ঐগী য়াথংনি হায়রদুনা কছার লৈবাক্তা লোই থাবগী দন্দি পীখিরম্মী।

কছার নিংথৌ খোংনাঙ প্রতাপ নরায়ন্দগী মফমদা চঙজদুনা শানোংবনা মৈত্রবাক্তা লান্দারক্লম্মী। লান অদুদা খাগেম্বগী মথৌনা পূন্নমক খঙলদুনা খোংনাঙ নিংথৌনা শিলেট লৈবাক্কী নিংথৌদা শানোংবনা হায়জরুনবা শরৌ শিল্লম্মী। শিলেট নিংথৌনা মুসলমান সেনাপতি সনিগী লুচিং মখাদা শগোল লান্মী লিশীং অমা, শামু লান্মী লিশীং অমা অমসুং খোঙমী লান্মী তেঙ্গোল ময়াম অমা থারক্লম্মী, লানফম অদুদা শানোংবা য়াম্না শাথীনা শোক্লদুনা লানফমদা অদুমক শিখিরম্মী। লান্দা মায়থীরবা শিলেটকী সেনাপতি মহমদ সনি অমসুং লান্মীশিংদু খাগেম্বগী লান্মীশিংনা লোইনমক ফারম্মী। প্রতাপ নরায়ন অমসুং ননাওনুপা শানোংবগী মতেং পাংলুবদগী থোকখিবা লান্নি, শানোংবদি লানফমদা শিখ্রে অদুগা কছার নিংথৌ প্রতাপতি লানফমদগী লোন্না চেনখ্রে হায়না খাগেম্বা মহারাজদা পাউ পূন্নমক তম্বগা লোয়ননা খাগেম্বা মহারাজদি ঐখোয়গী য়েক্লবা নিংথৌ অমা নত্তে হায়জদুনা চঙজরম্মী। চঙজরক্লবা শিলেটকী সেনাপতি মহমদ সানি অমসুং থৌনা ফরবা লান্মীশিংদা খাগেম্বা মহারাজনা মরাল কোকপীবগা লোয়ননা কংলৈপাক্কী নিঙোল অমমম অমসুং নিঙোলগী য়ুম্নাকশিং পীবিদুনা খুন্দা লৈতাহনখি। অসুম্না (মণিপুরগী মীতৈ পাঙল) হায়না খঙনবা কাঙলূপ অসি নিংথৌ অসিগী হাক্তক্তগী লৈরকখিবনি।

হৌজিক মতমগী খ্বাইদগী অনৌবা পাউদমদি, মোরেগী এস দি পি ও চিংথাম আনন্দকুমার থা ৬ চূপ্পা ময়ূম মায়কৈদা থোরক্তনা মথৌ তৌদুনা মোরেদা লৈরম্বদু কুকি মিলিটেন্টগী স্নাইপর মরূনা পান্দুনা লৈখিদ্রে। মফম অদুদা হেলিপেদকী মতেংনা চখোক-চৎশিন তৌগদৌরিবা মফমদু য়েংশিনবা লাকপনি হায়রি। মরম অদুনা মফমদুগী হেলিপেদকী অকোয়বদা কুকি মিলিটেন্টশিং লৈহল্লবদি তুংদা মদুগুম্বা থৌদোক অদু তোয়না থোরকপা য়ারিবনি হায়বসি লৈঙাক অসিনা খঙজিনবীগদবনি। মোরেগী মীতৈশিং হৌরক্তুনা মোরেদা অহেনবা ফোর্স থাজিল্লক্লবা অকনবা দিমান্দ তৌরকখ্রে। খুদক্কী অথুবা কেবিনেট মীফম্না মোরেদা জোইন্ট ওপরেসন তৌনবা হুকুম থোকখ্রে, মীফা-মীপূন্দি লৈত্রি।

লোইশিল্লকপদা ৱর্ল্ড কুকি জৌ ইন্টেলেকচুএল কাউন্সিলনা মখোয়গী কেদরশিংগী মফমদা অনৌবা থৌনা হাপ্পগা লোয়ননা নীংহন্নদনা অমসুং লাক্লিবা ইন্দিয়াগী নীংথম মীফমগী পার্লিয়ামেন্ট মনুংদা ‘সিপরেট এদমিনিষ্ট্রেসন’ গী ৱাফমশিং শোয়দনা খন্নরগনি, মদুগী থৌরাং পূন্নমক খন্নবা লোইরে, নবেম্বর থাদগী অমুক হন্না লান মখা চথরগনি। চানবা-থক্লবা, মরূ-মরাং পূন্নমক থৌরাং তৌনবা পাউচেগী থোঙদা হায়রক্লিবসিদা লৈঙাক্লা খুদক্তা এক্সন লৌখৎকদবনি। হৌজিক হৌজিকমক মীতৈ কম্যুনিতিগী মরক্তসু মাঙজৌনা দুকান্দগী পোৎ চৈ পূন্নমক লৈশিন্নরি, ফংনররোই খন্নবদগী লৈশিন্নবদা পোৎ চৈ মমল য়াম্না হেন্না য়োল্লিবসি অফবা খুদম নত্তে। মমাঙদসু লৈঙাক্লা চেকশিলহৌদবগী মমি নিংথিজনা তাখ্রবনি। ইন্টরনেট থিংবখক্তনা কান্নরোই। মনুংগী ওইবা ৱাফমশিংবু পাউচেদা ফোংনা হেক হায়রকপসিদি ‘শানোংবা হিগাইৱাগী অনৌবা লাংওন্নি’ খন্দবা ঙমদে। হিগাইৱা ঙাঙলিবশিংদা লৈঙাক্লা অকনবা এক্সন লৌগদৌবনি। ●

# ‘মনিদকো শিথহল্লোইসি’ - (২)

- থিংবাইজম ইতোবী -

মনিদকো হান্নগী মতৌগুম্না থম্বা য়াবা খরা : ১) ডাক্তরগী লাইন্দা খঙবদা মেদিকেল মিনিষ্টর পীবা, এদ্যুকেসনগী লাইন্দা খঙবদা এদ্যুকেসন মিনিষ্টর পীবা, ইন্দষ্ট্রিগী লাইন্দা খঙবদা ইন্দষ্ট্রি মিনিষ্টর পীবা, আইন খঙবদা লো মিনিষ্টর পীবগুম্না ইন্দষ্ট্রি খঙবা মিনিষ্টরনা মনিদকোগী চ্যেরমেন পুহনবা, ইন্দষ্ট্রিগী মরমদা খঙবদা মনিদকোগী মেনেজিং দাইরেক্টর পুহনবা। ২) লৈঙাক্কী অৱাৎপা স্যের কেপিটেল লুপা ৩.৭৬ ক্রোর পীবীবা। ৩) মণিপুর লৈঙাক্লা মূথৎখিবা জোইন্ট সেক্টর প্রোজেক্ট, এম এস দি পি এলদা পূন্না লুপা ২০.৩৯ ক্রোর তোনবা চহী ২০০৮ (as on 2008) এম পি এ পিদা পীথোকপীবা। ৪) আই দি বি আইগী শিংগদবা লুপা লাখ ২৩ অমদি এস আই দি বিগী শিংগদবা লুপা ক্রোর ২.৩৯ শিংদোকখিবা। ৫) আই দি বি আই, এস আই দি বি আইদগী লোন অমুক লৌরগা রিফাইনান্স অমুক হৌবা। ৬) লোনিশিংদা তোনবা শেনফম চাউরাক্লা লুপা ক্রোর ৮ খোমগৎপা। ৭) হান্না লৌরম্বা এজেন্সী চার্জ ১১.৭৫ লৌবা। ৮) ইন্দষ্ট্রিজগী রো মেটরিএলশিং অমুক এজেন্ট ওইবা অসিনচিংবা কয়া অসি পায়খৎলবদি হান্নগী মতৌগুম্না মনিদকো ওইহল্লগা ইন্দষ্ট্রিজ ইন্দিয়াগী মেপতা য়াওহনবগা লোয়ননা থবক ফংদবা নহারোল কয়া থবক পীবা ঙমগনি। হৌখিবা কুমজা ১৯৯১-৯২দা মণিপুর লৈঙাক্কী ওভর দ্রাফ্ট চাউনা তাবদগী লৈঙাক্কী কর্ম্মচারিশিংগী তোলোপ পীনীংঙাই লৈতবদগী কোর্পোরেসনশিং অমদি ওটোনোমস বোদিগী লোয়শঙশিংদগী অরৈবা কর্ম্মচারিশিংগী তোলোপ পীখিবনি। হায়রিবা শেনফম অসি চহী ১৫ রোম লৈঙাক্লা শীজিন্নরগা শেন্দোয় য়াওদনা কুমজা ২০০৭তা মনিদকোদা পীরকখি। মনিদকোনা নহারোল কয়া থবক পীবদা নত্তনা লৈঙাক্কী মতেং ফাওবা পাঙলিবা কোর্পোরেসননি খঙবীবগী মহুত্তা মনিদকো শিথনবা হোৎনবা হায়বসি মীয়ামগী লাইবক থীবনি, ইজরিবা ঐগী ৱাখলদা।

ইজরিবা ঐনা লৈঙাক্তা নীঙমদবা অমনা হৌখিবা কুমজা ১৯৯৯দা কোলকটাদা লৈবা মমিং লৈরবা ফার্ম অমনা মণিপুর ষ্টেট দ্রগস এন্দ ফার্মাসিয়ুটিকেল লিমিটেদ (এম এস দি পি এল) Nillakuthi, মনিদকোগী জোইন্ট সেক্টর প্রোজেক্ট অসি চলাইজরগে হায়না মতমদুগী লৈঙাক্তা হায়জখিবদা লৈঙাক্লা য়াবীখিদে, লোয়ননা হৌখিবা কুমজা ২০০২দা ষ্টেটসিগী মমিং লৈরবা ডাক্তর ৭না মনিদকোদা পীফম থোকপা শেনফম ইন্সটোলমেন্টদা পীজগে, ঐখোয়না চলাইজরগে হায়দুনা মতমদুগী লৈঙাক্তা হায়জবদা লৈঙাক্লা য়াবীখিদে হায়বগী মাস মীদিয়াদা ফোঙদোকখিবা লৈ। মতম অদুদা লৈঙাক্লা মূথৎখিবগী শেনফমসু মনিদকোদা পীবিখিদবা লোয়ননা ফার্ম অমনসু ডাক্তর ৭নসু হায়জখিবা য়াবীখিদবা হায়বসি ষ্টেটসিগী মীয়ামগী লাইবক থীবনি। মূথৎলমদ্রবা, ফার্ম অমদি ডাক্তরশিংনা হায়জখিবা অদু য়াবীরল্লবদি অনাবশিংগী হীদাক-লাংথক লৈবগী মপান্দা চৎখিগদবা শেনফমশিং অদু কনবা ঙল্লমগদবনি। মসিনি লৈঙাক্লা তুংগী জেনরেসনগী খন্দবা।

পোপ্যুলর মিনিষ্টরশিংনা লিংখৎলম্বা প্রোজেক্টশিং পি আর লৈঙাক্লা মূথৎখিবা হায়বসি মিনিষ্টরশিং ইকায়নীংঙাইনি। অহল-লমনশিংনা থারম্বা হৈপাল-লৈপাল, মনা-মশিং, পীক্লিবা মচা-মশুনা খঙদদনা ফোইদৎখিবা অদু অমুক হন্না অহল-লমনশিংনা থানরিবনি। পি আর লৈঙাক্লা মূথৎখিবা মরু ওইবা খরদং খনগৎচরি - সুগর মিল ৱাংবল, সিমেন্ট ফেক্টরি হুন্দুং, স্পাইনিং মিল লোইতাং খুনৌ, মণিপুর বানসপতি এলাইৎ ইন্দষ্ট্রিজ কোইরেঙ্গৈ, সাইকল কোর্পোরেসন তাকয়েল অসিনচিংবা কয়ানি। হৌজিক হৌজিক ষ্টেটসিগী মীয়াম্না শীজিন্নরিবা চিনি, বিলাতিমাতি, ফি শানবা লং, চানবা ঘী, সাইকল (মিনিষ্টরশিং ফাওবনা তোংবীবা সাইকল) পুথোকপা হৌখ্রবা, ক্বালিটি য়াওদ্রবসু য়াওহনবা য়াবা প্রোজেক্টশিং পি আর লৈঙাক্লা মূথৎখিবা অদুবু পোপুলর মিনিষ্টরশিংনা হিংগৎহনবা ঙমদবা হায়বসি মীয়ামগী লাইবক থীবনি। হৌজিক মথক্কী আইতেমশিং মপান্দগী লৈরিবনি, ষ্টেটসিগী মপান্দা লুপা ক্রোর লিশীংগী মথক্তা চৎলম্বা য়াই। মসিদা নত্তনা মথক্তসু পঞ্জখ্রে অহানবগী হীদাক-লাংথক পুথোক্লবা, এম এল এ দি পি এল নিল্লকুথি, ষ্টেটসিদা শীজিন্নরিবা ‘চে’ পুথোক্লবা বেম্বু চিপিং প্লান কদমতলা, জিরিবাম মসিনি পি আর লৈঙাক্কী মীয়াম্বু মাঙহনবা। মতাং অসিদা ইজরিবা ঐগী ৱাখলদা হৌজিক হৌজিক পোলিটিকেল পার্টি খরনা পি আর থম্বনা ফৈ হায়না লাউরিবা অসি লান লেপহনগে হায়বা মান্দে, ফম পাম্বদগী লাউবা মাল্লি। মরমদি মখোয়না লৈঙাক পায়রিঙৈদা বোর্দর ফেন্সিং, এন আর সী, পোপি মখোয়না লৈঙাক পায়রিঙৈদগী থারক্লবা, য়াম্থৎপীরমদবা মীয়ামগী দিমান্দ ঙাক্তনি। মখোয়না পাঙথোকপীরল্লবদি হৌজিক থোক্লিবা লান অসি থোক্লম্লোই। অরোইবদা লৈঙাক্লা মীয়ামগীদমক খনবীরগা মনিদকো ফগৎহন্নীংই। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।